**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- সরকারনা ত্রাইবেলশিংগী হেন্না চাওখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা পুরকবা হোৎনরি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কাংপোকপী অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা একলাব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমমম শাননবা ঙসি ভারচুয়েল ওইনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

৩) কোওপরেতিভ সোসাইতিজ মণিপুরগী রেজিষ্টার দব্লিউ. ইবোহলনা হায়রি- কোওপরেতিভ চাওখৎহনবনা লৈবাক অসি চাওখৎপগী মাঙলোমদা চংশিনহনবা ঙমগনি।

৪) কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- অমৃট ফারমাসিনা অনাবশিংগী অহেনবা চাদিং শিংথানিঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙমলে।

অমসুং

৫) বিহার বিধান সভা মীখলদা এন.দি.এনা চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুং সরকার শেমবগীদমক দলগী সেন্ত্রেল লুচিংবশিংনা নোংম-নিনি অসিগী মনুংদা অরোহবা ৱারেপ অমা লৌরবা য়াই।

------

দিবস (এল)ঃ ফ্রিদম ফাইটর অমসুং ত্রাইবেল লুচিংবা ভগবান বিরসা মুন্দাগী ১৫০ শুবা মপোক নুমিৎপু নিংশিংদুনা ঙসি লৈবাক অসিদা জনজাতিয়া গৌরব

দিবস থৌরম পাঙথোক্লি।

রাজ্য অসিদসু ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলস বিভাগনা শিন্দুনা জনজাতিয়া গৌরব দিবস থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- জনজাতিয়া গৌরব দিবস থৌরম পাঙথোকপা অসিনা সরকার অসিনা প্রধান মন্ত্রিগী মীৎয়েং ওইরিবা সবকা সাথ, সবকা বিকাশ, সবকা বিশ্বাস, সবকা প্রয়াস হায়বা ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা ত্রাইবেলশিংগী হেন্না চাওখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা পুরকবা হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং থল্লি হায়বদু উৎলি। থৌরম অসি খুনাইদা অহোংবা পুরকবা থৌনা লৈনা কৎথোকখিবা ত্রাইবেল লুচিংবা ভগবান বিরসা মুন্দাবু ইকায় খুমবা উৎতুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা ত্রাইবেল ফুরুপশিংগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি অদুবুসু ইকায় খুমবা উৎতুনা পাঙথোকপনি।

ফ্রিদম ফাইটর রাণি গাইদিনলিউগী পুন্সি ৱারী নিংশিংলদুনা রাজ্যপালনা হায়- লোইলম বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা থৌনা ফনা লান্থেংনখিবা রাণি গাইদিনলিউগী ৱাখল্লোন্না ভারতকী নীংতম ইহৌদা ইনোৎ পীখি।

জনজাতিয়া গৌরব দিবস পালন থৌরম চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা পীবা লাইভ ওইনা শন্দোকপা মহাক্কী ভাষন য়েংমিন্নখি। প্রধান মন্ত্রিগী ভাষন অসি জিলা অসিদা লৈরিবা সব-দিভিজনেল ওফিসশিংদসু মীয়ামদা উৎতুনা য়েংহনখি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু শিন্দুনা জনজাতিয়া গৌরব দিবস পালন জিলা অসিগী ফার্মলেন্দদা লৈবা ই.এম.আর.এস কেম্পেসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা তমেংলোং কলেজগী ইকোনোমিক্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার নামসুরৈ থোমাস কামৈনা ভগবান বিরসা মুন্দাগী পুন্সি ৱারী মীয়ামদা লীদুনা তাহনখি।

স্কুল (এল)ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কাংপোকপী জিলাগী সোংপেজাং অমসুং ফেরজোল জিলাগী লোৱিবুৱল খুলশিংদা একলাব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমমম শাননবা ঙসি ভারচুয়েল ওইনা উরেপ উযুং তমখ্রে।

কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ চৌধরিনা হায়- নৌনা শাগদৌরিবা স্কুল অসিনা জিলা অসিদা মহৈ মশিংগী লমদা অহোংবা পুরকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। একালব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অসি কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রালয়না ক্লাস সিক্সতগী ক্লাস তুয়েল্ব ফাওবদা মহৈ তম্লিবা ত্রাইবেল মহৈরোইশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা পায়খৎপা স্কিম অমনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এ.দি.এম সুখোঙম বাইতে, টি. ৱাইচোংগী এস.দি.ও- হেমন্ত কুমার য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমদি খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ফেজোল জিলাদা পাঙথোকপা স্কুল শানবী যাত্রা হুনবগী থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মনুৱানচিং য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

লোক্তাক (এল)ঃ   ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরি অমদি বুক ক্লব ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চত্থরকপা লোক্তাক লিটররি এন্দ আর্ট ফেষ্টিভেল ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রদা লৈবা এল.দি.এ ওফিস কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফেষ্টিভেলগী ক্যুরেটর ওইরিবী পুজা এলাংবমনা হায়- ফেষ্টিভেল অসি মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা লোক্তাক পাৎপু হেন্না মীয়ামদা খঙহন্ননবগী পান্দমদা লোক্তাক পাৎকী মমিং লৌদুনা পাঙথোকপনি। কলা সংস্কৃতি, ঈশৈ নোংমাই অমদি সাহিত্য হায়বসি মীওই খরখক্কী নত্তে, মসি মীপুম খুদিংমক্কীনি। হৌরক্লিবা নহাশিংদা কলা সংস্কৃতি অমদি সাহিত্যগী ৱাখল্লোন হেন্না পোকহন্নবা পান্দমদা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি।

ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্ট ২১ রোমনা পুথোকপা আর্ট ৱার্কশিং উৎখি। মণিপুর অমদি তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা অইবা-অইবী কয়াগা উন্নদুনা মখোয়না ইবা লাইরিকশিংগী মতাংদা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী

থৌরমশিংসু পাঙথোকখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা শাবা পোৎলমশিং উৎপা ষ্টোলশিং হাংবগা লোয়ননা আই.দি.পি মহৈরোইশিংগী আর্ট ৱার্ক অমদি মখোয়না শান্নবা লিলাশিং উৎখি।

কোওপরেতিভ (এল)ঃ কোওপরেতিভ সোসাইতিজ মণিপুরগী রেজিষ্টার দব্লিউ. ইবোহলনা হায়রি- কোওপরেতিভ চাওখৎহনবনা লৈবাক অসি চাওখৎপগী মাঙলোমদা চংশিনহনবা ঙমগনি।

৭২ শুবা ওল ইন্দিয়া কোওপরেতিভ ৱিক থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেতিভ ওফিস থৌবালনা শিন্দুনা জিলা অসিগী খাঙবোক্তা লৈবা এম.এম.আর.সি য়ুনিতি পার্ককী হোলদা পাঙথোকপা পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রেজিষ্টার দব্লিউ ইবোহলনা হায়- মীপাল তাংদনা ইশানা ইশাবু ইরোমদোম হিংজবা ঙমবা হোৎনবদা কোওপরেতিভকী চাউরবা থৌদাং লৈ। কোওপরেতিভ সোসাইতি তৌরিবা মেম্বরশিংনা থৱায় য়াওনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা মতমদা লৈবাক অসি হেন্না চাওখৎপা ওইরক্কনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এল. তোলপিশক, দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেতিভ ওফিসার থৌবাল ওইরিবা এম.দি. মনাৱারসু শরুক য়াখি।

হেলথ (এল)ঃ ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মণিপুরনা শিন্দুনা কার্দিও ভাস্কুলর লায়না অমসুং ষ্ট্রোকতগী ঙাকথোকবগী মতাংদা সার্তিফিকেট কোর্স অমা ঙসি পোরোমপাৎতা লৈবা জেনিমসতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জেনিমস হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ কে.ঐচ. লোকেশ্বর, পি.ঐচ.এফ.আইগী প্রোগ্রাম মেনেজর ডাঃ শন্তোস কুমার, জেনিমস মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী হেদ- প্রোফেসার ডাঃ রাজেন্দ্র থাংজম য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

প্রেস ডে (এল)ঃ       লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম রাজ্য অসিদসু নেসনেল প্রেস ডেগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর)না শিন্দুনা থৌরম অসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা হয়েং পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট জরনেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ পীনবা লাউথোকখ্রবা পাউমীশিংদা এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।  থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা সেফগার্দিং প্রেস ক্রেদিবিলিতি এদমিষ্ট রাইজিং মীস ইনফোর্মেসন হায়বসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী ৱার্কসোপ অমসু পাঙথোক্কনি।

থৌবাল (এল)ঃ          ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ তা হায়র ইদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী থৌদাং হায়বা হিরমদা নুমিৎ ১৪ নি চুপা চথরকপা নেসনেল সেমিনার ঙসি ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজ থৌবালদা লোইশিনখ্রে। সেমিনার অসিদা মণিপুর য়াওনা মপান লমগী তোঙান তোঙানবা কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিতিশিংদগী লাকপা দেলিগেটশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা চে পাথোকখি।

লাইরিক (এল)ঃ   খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সির্তিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম জোয়কুমারনা ইবা লাইরিক- দ স্ক্রাইব এন্দ সিক্কর ঙসি হৌনবী মতুংইন্না ফোংখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোনশম লৈকাইদা লৈবা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লাইরিক অদু মণিপুর সরকারগী হান্নগী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয়না ফোংখি। অকানসা পাব্লিকেসন্না পুথোকপা লাইরিক অদু ফোংবগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি হান্নগী দিন ওফ হ্যুমেনিতিজ প্রোফেসার পোলেম নবাচন্দ্র অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার এম.সি. অরুন শরুক য়াখি। আর্কিওলোজি বিভাগকী সুপরিন্টেন্দেন্ট কে. শশিকান্ট শর্ম্মনা লাইরিক অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

প্লাষ্টিক (এল)ঃ জেদ.ই.ও জোন-ৱানগী মখাদা ইকো ক্লব ফোর লাইফ মিসন ভৈরোদান মেক্সৱেল হিন্দি হাইস্কুলগী মহৈরোইশিংনা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল অমসুং থঙ্গাল বজারগী অকোইবদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক অমসুং প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্ককী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী ষ্ট্রিট প্লে উৎখ্রে।

নদ্দা ঃ অনাবশিংদা অহোংবা মমলদা হিদাক ফংহল্লিবা অমৃট থৌরাং হৌদোকখিবা ঙসি চহি ১০ মপুং ফারে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অমৃট হৌদোকখিবা চহি ১০ মপুং ফারকপা পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা অনাবা কয়ামরুমনা চাদিং তৌগদবা লুপা কোতি লিশিং ৮,৫০০ হেন্না কনবা ঙমলে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা হৌজিক অমৃট ফারমাসি ২৫৫ লৈ। মসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী হিদাক লাংথক লিশিং ৬,৫০০ রোম ফংলি। ফারমাসিশিং অসিদগী হিদাক লৈবদা হিদাক অদুগী মমলদগী চাদা ৫০ হন্থনা পীরি। পালন থৌরমগা মরী লৈননা মন্ত্রিনা অনৌবা অমৃট ফারমাসি ১০ অমগা হাংদোকখি। লৈবাক অসিদা অথুবা মতমদা অমৃট ফারমাসি ৫০০ শুহন্নবা পান্দম থল্লি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মেদিকেল কলেজ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল খুদিংমক্তা অমৃট ফারমাসিগী খুদোংচাবা লৈহনবগী তঙাইফদবা অদুসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

বিহার ঃ বিহারগী বি.জে.পি প্রসিদেন্ট দিলিপ জৈসৱালনা হায়রি- হন্দক পাঙথোকখিবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা এন.দি.এনা চাউনা মায় পাকখ্রবা মত্ং সরকার শেমবগীদমক দলগী সেন্ত্রেল লুচিংবশিংনা অরোইবা ৱারেপ অথুবা মতমদা লৌরগনি। মহাকা হায়- থবক খুদিংমক লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ৱারেপ লৌগনি। শ্রী জৈসৱালনা হায়- হয়েং বিহারগী জিলা শিনবা থুংবদা ভোতরশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎপা অমসুং থাগৎপা ফোংদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। সরকার শেম্বগী মতাংদা শ্রী জৈসৱালনা হায়- অহানবদা

এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগী তোঙান তোঙানবা মীফম পাঙথোক্তুনা মখোয়গী লুচিংবশিং খনগনি। মসিগী মতুংদা চুংশিন্নবা কাংবুগী অপুনবা মীফম অমা ফমদুনা এন.দি.এগী লুচিংবা খনগনি। শ্রী জৈসৱালনা হায়- অকুপ্পা ৱারোল বি.জে.পিগী সেন্তরগী লুচিংবশিংনা লাউথোরক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাতকী শুরত্তা শেমগৎলিবা বুল্লেট ত্রেন ষ্টেসন চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। মহাকা মুম্বাই-অহমেদবাদ হাই স্পিদ রেল কোরিদোর শেমগৎ শাগৎলিবা অদুসু য়েংশিনখি। প্রধান মন্ত্রি ঙসি অয়ুক শুরত এয়ারপোর্টতা থুংলবা মতুং অন্ত্রোলি লমদমদা চত্তুনা বুল্লেট ত্রেন ষ্টেসন শেমগৎলিবা অদু য়েংশিনখি। মুম্বাই-অহমেদবাদ হাই স্পিদ রেল কোরিদোর প্রোজেক্ট অসি ভারতকী খ্বাইদগী পুকিং থৌগৎনিঙাই ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট অমনি। মসিগী অশাংবনা কিলোমিতর ৫০৮ নি। হৌজিক ফাওবদা কিলোমিতর ৩২৬ কী থবক লোইশিনখ্রে। তুরেল মথক্তা শাবা থোং ২৫ গী মনুংদা ১৭ লোইশিল্লে।

তুংদা ঙসি নুংথিলদা মোদিনা নরমাদা জিলাগী ত্রাইবেলশিংনা নমা খুন্দাবা দেদিয়া পারা টাউনদা চত্তুনা বিরসা মুন্দাগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি। শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৯,৭০০ লোম চংনবা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখি, খরগীনা যাত্রা হুনখি।

দিবস ঃ লৈবাক অসিনা ঙসি ত্রাইবেল লুচিংবা অমসুং ফ্রিদম ফাইটর ভগবান বিরসা মুন্দাগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনবু জনজাতিয়া গৌরব দিবস হায়না পাঙথোক্লি। ত্রাইবেলগী ইতিহাসকী মরুওইবা শকখঙবা অমসুং মখোয়গী ইতিহাস হিংহন্দুনা থমবা পান্দমদা চহি খুদিংগী নবেম্বর ১৫ অসি কেন্দ্রনা জনজাতিয়া গৌরব দিবস হায়না পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মন্ত্রালয় অমসুং রাজ্য শিনবা থুংবদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা লুচিংবা অসিগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলদুনা হায়- বিরসা মুন্দা অসি ট্রাইবেল সমাজগী ওইনা চাউথোকচবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনসু চাউথোকচনিঙাইনি। মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি হরাউ তয়ামা জনজাতিয়া গৌরব দিবস পাঙথোক্কুনা লৈবাক অসিগী নীংতম ইহৌ অমসুং ইমা লৈবাক অসিবু ঙাকবগীদমক জাতি অসিনা ইকায় খুমরি।

কেন্দ্র সরকারনা ট্রাইবেল ফ্রিদম ফাইটরশিং ইকায় খুমবা উৎপা ওহনা ম্যুজিয়ম কয়ামরুম লেপ্তুনা শেমগৎলক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য ১০ দা ম্যুজিয়ম ১১ শানবা অয়াবা পীরে। মসিগী মনুংদা ম্যুজিয়ম অহুম রাঞ্চিদা শঙ্গাখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ   চহি অনি লেপ্পুরবা মতুং মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেল তুরনামেন্ট অমুক হন্না পাঙথোক্লগনি। মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৫ শুবা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেল থা অসিগী ২২ দগী ২৯ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

ঙসি উরিপোক্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা তুরনামেন্ট অসিগী ষ্টিয়ারিং কমিতিগী চেয়ারমেন প্রোফেসার সি.ঐচ. প্রিয়োরঞ্জন্না হায়- হৌজিকমক্কী ওইনা তুরনামেন্ট অসিদা কলম্বীয়া অমসুং য়ুনাইতেদ ষ্টেটস য়াওগনি হায়রক্লে। স্পেন অমসুং ইটলিসু তুরনামেন্ট অসিদা য়াওরবা য়াই। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়া পোলো এসোসিয়েসন অমসুং ছত্তিসগর অমদি মণিপুর টিম তুরনামেন্ট অসিদা য়াওগনি।

ক্রিকেট ঃ   ৱিমেন অন্দর ত্বেন্তি থ্রি টি-ত্বেন্তি তুরনামেন্টতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোই ১৫ অমসুং সপ্পোর্ট ষ্টাফ ৫ গী মীং লাউথোক্লে। নিরুতা থৌদামনা টিমগী কেপ্তেন ওইগনি। অমরোমদা, চহি ১৬ মখাগী বিজয় মার্চেন্ট ট্রোফিদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপামচা শান্নরোই ১৫ অমসুং সপ্পোর্ট ষ্টাফ ৮

গী মীংসু লাউথোক্লে। টিম কেপ্তেননা মুতুম স্বাভিমান সিংহনা ওইরগনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ত্রাইয়েল ঃ চহি অসিগী দিসেম্বর ২ দগী ৬ ফাওবা ডরিষাগী শম্বলপুরদা পাঙথোক্কদবা ৩০ শুবা নেসনেল সেনিয়র, জ্‌নিয়র অমসুং সব-জ্‌নিয়রগী রোড সাইক্লিং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী সাইক্লিষ্টশিং খন্ননবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৭ তা কোদোমপোকপী গ্রাউন্দ মমাংদা লৈবা ৱাংজিংদা পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা সাইক্লিষ্টশিং থা অসিগী ১৭ কী অয়ুক পুং ৬ মখায়গী মমাংদা রিপোর্ট তৌননবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসন্না খঙহল্লি।

ফুটবোল ঃ ৩ সুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি সেক্তাগী এস.এস.সি. গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এথলেতিক ব্রদরস এসোসিয়েসন্না ময়াংইম্ফাল য়ুনাইতেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন্না ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

------